# বিএসএফ না বোর্দরদগী ফাখিবা ৩ মেঘলয়া পুলিসতা শিন্নরকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল মে ২৪:*** বিএসএফ না বংলাদেশরোমদগী ইন্দিয়াদা লানশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা ফারে হায়রিবা আরপিএফ কী লিলি লৈমা য়াওনা মীওই অহুম মেঘলয়া পুলিসতা শিন্নরকখ্রে হায়না এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

এজেন্সিগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা হৌখিবা তাং ২৩গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা মেঘলয়াগী ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টতা দিপ্লোই তৌবা বিওপি দাওকি এক্স- ১০৮ বট্টালিয়ন বিএসএফকী ক্রুপশিংনা নুপী অহুম অদু বংলাদেশরোমদগী ইন্দিয়াদা লানশিন্নবা হোৎনরিঙৈ বোর্দর পিল্লর নম্বর ১২৭২/ ২- এস তগী ফাখিবনি।

ফারবশিং অদুদি আরপিএফ/পিএলএগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনি চিংনবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দদগী সেল্ফ ষ্টাইল কর্নেল  লিলি লৈমা দেবী (৫২) মপুরোইবা ওনিল,  বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পিএসকী মনুং চনবা কোংখামদগী পিএলএগী সেল্ফ ষ্টাইল কেপ্টেইন মেম্মা দেবী (৫২) অমসুং  কোংখাম খুল অসিমক্তদগী কেৱাইকেএলগী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটিনেন্ট লাইমনচন্দ্র রানি এলাইজ ইবেচা দেবীনি। মীওই অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্নদি মহাক্কী মপুরোইবা সোভা অসি কেৱাইকেএলগী তোপ কাদরনি। মসিগী মথক্তা চহি তরেৎতা ঙাইহিরিবা ইবেচা দেবীগী মচানুপা ইবুংঙো অমসুং চহি ৪ খক্তা ঙাইহিরিবা শর্মিলাসু ফারে হায়রি।

ফারবশিং অদুগী মশাদগী
ইন্দিয়াগী শেল ওইনা লুপা ২,৪৯,৪০০, সনা গ্রাম ৪৭.৮ (লিক ১, নাপ্পী ২, খুদোপ ১, খুজি ১, ইনি দয়াগী সিম য়াওবা মোবাইল ১, লগেজ ৩, বিদি টাকা ২) অমসু রিকোভর তৌরে। মখোয়শিং অদু ৱাহং পাউহং চখবদা বংলাদেশকী মোউলবি দিষ্ট্রিক্টকী কম্মনগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খোনাগাউন্দা লৈবা মখোয়গী লোৎফম কেম্পতগী মণিপুর তম্না লাকপনি। ফারবশিং অদু মেঘলয়া পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।